# য়ুক্রেননা স্বিদেনবু এক্সট্রা টাইমদা ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে, য়ুরোগী ক্বার্টর ফাইনেল লাইনঅপ লোইখ্রে



গ্লাসগো, জুন ৩০ (এজেন্সী): স্কোটলেন্দগী সিটি গ্লাসগোদা লৈবা হম্পদেন পার্ক ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা য়ুরো ২০২০গী অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুক্রেননা স্বিদেনবু এক্সট্রা টাইমদা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনগদবা টিমশিং মশক খঙবসু লোইশিনখ্রে।

স্বিদেন অমদি য়ুক্রেনগী মেটচ অদু হৌরকপদা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিংনা খূদোংচাবা ফংবা তাঞ্জাদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙম্নদনা লেংমান্নরগা লাকখি। শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা এটেক অমগী মতেংদা এন্দ্রি য়ার্মোলেনকোনা খায়দোরকপা বোল অমদা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা ফংখিবা টিমমেট ওলেকসান্দর জিনচেনকোনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল ১ শোথরবা স্বিদেনগী মায়কৈদগী অথুবদা ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবশিং অদু য়ুক্রেনগী দিফেন্দরশিংনা অথিংবা পীদুনা লাকখি। অদুবু অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লক্কদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা স্বিদেনগী অলেকজেন্দর ইজাকনা য়াম্না ফজবা তাঞ্জা অমদা কাওথোরকখিবা বোল অদু টিমমেট ইমিল ফোর্সবর্গনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্কেলাইজর অদু ওইখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরবা মতুং মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ফংননবা হোৎনরকপদা খূদোংচাবা ফংবা ঙম্নখিদবদগী অপীবা মতম অদু ১-১দা লোইশিনখি। কাঙলোনগী মতুংইন্না এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদা মখা তানা টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্নবা ঙমদনা পেনাল্টি কাওনবগী ফীভমদা লাকখিবনি। অদুবু এক্সট্রা টাইমগী অনীশুবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা য়ুক্রেননা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা জিনচেনকোনা পীরকপা পাস অমদা অর্টিন দোবিকনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা থোইখি। মেটচ অদুগী মতুং য়ুরো ২০২০গী ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগদবা টিমশিংগী মশক খঙখ্রে।

**EURO 2020 QUARTER-FINALS FIXTURES**

*Friday, 2 July*
**Switzerland vs Spain** (9:30 PM IST, St Petersburg)

*Saturday, 3 July*
**Belgium vs Italy** (12:30 AM IST, Munich)
**Czech Republic vs Denmark** (9:30 PM IST, Baku)

*Sunday, 4 July*
**Ukraine vs England** (12:30 AM IST, Rome)

# অর্জেন্টিনাগী মেসি অমসুং ব্রাজিলগী নেমারনা কোপা অমেরিকাগী মরুওইবা শান্নরোয়শিংগী মাঙজিল থারি



ব্রাসিলা, জুন ৩০ (এজেন্সী): সাউথ অমেরিকাগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল থাক য়ৌশিল্লকপদা অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি অমসুং ব্রাজিলগী নেমারনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী অফবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

অর্জেন্টিনাগী টিমনা জুলাই ৪দা ইক্কাদোরগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগনি। অমরোমদা নেমারনা শরুক য়ারিবা ব্রাজিলগী টিমনা জুলাই ৩দা চিলিগা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগদৌরি। অর্জেন্টিনা অমদি ইক্কাদোরগী মেটচ অদু য়েংনরুবদা অর্জেন্টিনানা অদুম্মক মায় পাকপা ঙম্বগী থাজবা অদু ফুটবোল পামজবা ভাবোকশিং অমদি টিম অদুগী মায়কৈদগীসু লৈরি। অমরোমদা ব্রাজিল অমসুং চিলিগী মেটচ অদু য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইগদৌরি।

নীংশিংবায়াই, কোপা অমেরিকাগী কুমজা ২০১৯দা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা অদুদা মখোয়না পেরুবু মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌখিবনি। অদুগা ৩শুবা পোজিসনগীদমক্তা লম্বা তৌনবদা অর্জেন্টিনানা চিলিবু থোইখি।

কুমজা ২০২১গী ওইনা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি কলম্বীয়ানা য়ূম্বু ওইগদবনি। অদুবু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা য়ারোইদবগী ফীভম লাকপদগী অর্জেন্টিনাদা হান্না খূদোংচাবা পীবদা মখোয়সু ফীভম শোকপনা মরম ওইদুনা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরকপনি।

চথুরিবা কোপা অমেরিকা ২০২১ অসিদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী লিওনেল মেসিনা লুচিংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ মেটচ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ৩ চল্লগা খ্বাইদগী পাঞ্জল চনবা শান্নরোয়শিংগী মকোক্তা লৈরি। অমরোমদা, ব্রাজিলগী মায়কৈদগী নেমারনা হৌখিবা কোপা অমোরিকা শরুক য়াবা ঙমদ্রবসু মহাক্কী লৈবাক অদুনা য়ূম্বু ওইরগা চথুরিবা অসিদা পাঞ্জল ২ চনবদা নৎতনা অতোপ্পা পাঞ্জল ২ চনবদা মতেং পাংদুনা য়াম্না ফজবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মহাকসু অমা ওইরি।

**COPA AMERICA QUARTER-FINAL FIXTURES**

*Saturday, July 3 at 2:30 AM IST*
**Peru vs Paraguay**

*Saturday, July 3 at 5:30 AM IST*
**Brazil vs Chile**

*Sunday, July 4 at 3:30 AM IST*
**Uruguay vs Colombia**

*Sunday, July 4 at 6:30 AM IST*
**Argentina vs Ecuador**

# এলিজ কোর্নেটনা বিয়ানকা মায়থীবা পীখ্রে, নম্বর ৱান জোকোবিচ অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

লন্দন, জুন ৩০ (এজেন্সী): গ্রাসকোর্ট টেন্নিসকী খ্বাইদগী মগুণ লৈরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটনা কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুবু মায়থীবা পীখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন থোইরগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অদুদা মঙাশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী কানাদাগী বিয়ানকা এন্দিস্কুগা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটকা লম্বা তৌনবদা এলিজ কোর্নেটকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না লৈখিবদগী ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-১দা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা বেলজিয়মগী এলিসন ভান য়ুঠ বাঙ্কপু সেট ২-১দা ৬-৩, ২-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ঙসি সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা লম্বা তৌনরকপদা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৩, ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গ্রেট বৃটেনগী কেমরুন নোরিনা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু অকনবা লম্বা অমদা ৬-৭ (৬-৮), ৭-৫, ৬-২, ৭-৫দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিনা অর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলাবু সেট ৩-১দা ৬-৪, ৩-৬, ৬-৪, ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা মহাক অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মরক অসিদা, টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবী নুপীগী শান্নরোয় য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মস অহানবা রাউন্দদা বেলারুসকী অলিয়াকসান্দ্র সাস্নোবিচকা লম্বা তৌনরকপদা মহাক্কী য়েৎ থংবা ফৈগনগী অশোকপা অদু হেঞ্জিল্লক্তুনা রিটায়র্দ তৌখি।

# দুটি চান্দ ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রে, হিমা দাস ঙমখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী এথলিট দুটি চান্দ মিটর ২০০ অমসুং ১০০গী লমজেলদা টোকিও ওলিম্পিক্স শরুক য়ানবগী খূদোংচাবা ফংখ্রে। অদুবু অতোপ্পা এথলিট হিমা দাস শোকপদগী টোকিও ওলিম্পিক্স শরুক য়াবা ঙম্লরোই।

দুটি চান্দ ওলিম্পিক্সকী ওইনা নুপীগী মিটর ১০০ অমসুং ২০০গী লমজেলদা থল্লিবা ক্বালিফায়িং মতম অদু মহাক্কী মায়কৈদগী য়ৌবা ঙমখিদ্রবসু ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ওইবা কোটাদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি। হৌখিবা চয়োলদা দুটি চান্দনা পটিয়ালাদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রি এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১.৭ চেন্দুনা মহাক মশামক্তা থমজখিবা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙমখ্রবসু ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসনগী লৈরিবা মতম অদুদগী সেকেন্দ ০.০২ চোন্থরগা লৈখিবনি। অদুবু মালেমগী ওইনা মিটর ১০০গী লমজেলদা নুপীগী রেঙ্কিংদা দুটি চান্দ ৪৪শুবা থাক্তা লৈখি। অদুগা মিটর ২০০গীদনা ৫১শুবা থাক্তা লৈখিবনি। অদুবু ইন্টরনেসনল এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থল্লিবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী কোটা অসিদা মফম ২২না মিটর ১০০গী লমজেলগী লৈখি। অদুগা মিটর ২০০গীদনা মফম ১৫ লৈবগী মনুংদা মাংজৌননা শান্নরোয় কয়া অমা ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং দুটি চান্দ কোটা অসিগী মনুং চনবদগী টোকিও চৎপা ঙমগদৌরিবনি। অতোপ্পা এথলিট হিমা দাস থাংজ নুমীৎতা পটিয়ালাগী কম্পিটিসনদা মিটর ১০০গী লমজেল শরুক য়ারিঙৈদা শোকপদগী অপীবা মতম অদু য়ৌবা ঙমদনা মহাক টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা ঙম্লরোই।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মচা চেল্লিবী মমাশিংনা মচাশিংবু পুরকপা য়াহনগদৌরি

টোকিও, জুন ৩০ (এজেন্সী): জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মচা চেল্লিবী মমাশিংনা মথৌ তারক্লবদি গেমস মনুংদা মচাশিং অদু পুশিল্লকপা য়ারগনি হায়না পাউগী এজেন্সী অমগী রিপোর্টতা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মমাংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না লৈঙাক অদুনা থল্লিবা কাঙলোনশিংগী মনুংদা ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং খক্তা নৎতনা সপোর্ট ষ্টাফ অমদি ওফিসলশিংনা ইমুং-মনুংগী মীওই অমত্তা পুশিনবা য়ারোই হায়বা কাঙলোন থমখিবনি। অদুবু এথলিট খরনা ওলিম্পিক গেমস অসি য়াওবনা ফব্রা নৎত্রগা মখোয়না মচাশিংবু য়েংশিনবনা ফরিব্রা হায়বগী কমপ্লেন্ট লাকপদগী ওর্গনাইজরশিংনা অপীকপা মচা চেল্লিবী এথলিটশিং অদুনা ওলিম্পিক্স মনুংদা মচাশিং অদু পুশিনবা য়ারগনি হায়বগী ৱারোল ফোঙদোরকপনি।

কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসিনা জপানদসু চাওনা চৈথেং পীরিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অমদি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মীরমগী ভাবোক অমত্তা টোকিও ওলিম্পিক গেমস মীৎয়েং তাবা য়াররোই হায়বগী অরোইবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। মরক অসিদা জপান লৈবাক্কী ওইজবা ভাবোকশিংসু মপূং ফানা শান্নফম অমদা চঙদুনা য়েংবা য়ারোইদৌরি। ষ্টেদিয়ম অমগী লৈরিবা কেপাসিটি অদুগী চাদা ৫০গী ওইবা ভাবোকশিং য়েংবা য়াবগী ৱারেপতি থল্লি।

মচা চেল্লিবী এথলিটশিংগী মতাংদা কানাদাগী বাস্কেটবোল শান্নরোয় কিম গোসরনা মহাক্কী মচা অদু শেন্নবনা ফরিব্রা নৎত্রগা ওলিম্পিক য়াওবনা হেন্না কান্নগদৌরিব্রা হায়বগী কমপ্লেন্ট লাকপদগী টোকিও ওলিম্পিক ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী অনৌবা ৱারেপ অসি লাকখিবনি। মহাক্তা নৎতনা য়ু এস এগী এথলিট অলিফিন টুলিয়ামুকনা মহাক্কী অপীকপা মচানুপী অদুবু থাদোক্লগা ওলিম্পিক্স শরুক য়াবগী মহুৎতা মচা অদু শেন্নবনা ফৈ হায়বগী ৱাফম থল্লকপদগী ইমুং-মনুংগী মীওই য়াওবা য়াহনগদৌরিবনি।

# সীমা পুনিয়া ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে

পটিয়ালা, জুন ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ভেটরান দিস্কস থ্রোৱর সীমা পুনিয়া ঙরাং পঞ্জাবকী সিটি পটিয়ালাদা পাঙথোকপা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিবদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

মশাগী চহী ৩৭ শুরবী সীমা পুনিয়ানা নুপীগী দিস্কস থ্রোগী ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং মার্ক ওইরিবা মিটর ৬৩.৫০ অদুদগী হেন্দোক্লগা মিটর ৬৩.৭২ লংদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, সীমা পুনিয়ানা কুমজা ২০১৮গী কমনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা চৎলিবা চহী অদুমক্তদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতসু দিস্কস থ্রোগী ইভেন্ট অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

সীমা পুনিয়া বেলারুসগী সিটি মিন্সতা ট্রেনিং চথুরুরবা মতুং মফম অদুদা বেলারুস ওপন চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারুরগা নোংমাইজিং নুমীৎকী অঙনবদা ইন্দিয়াদা থুংলখিবনি। মহাক্না ঙরাং পটিয়ালাগী কম্পিটিসন অদুদা দিস্কস থ্রো ইভেন্টকী শান্নরোয় অমনা রাউন্দ মঙা লংবগী মনুংদা ৪শুবা রাউন্দদা মহাক্না মিটর ৬৩.৭২ লংদুনা টোকিও ওলিম্পিককীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। মহাক কুমজা ২০০৪, ২০১২ অমসুং ২০১৬ ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ারুরবা শান্নরোয়নি। টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিনা মহাক্কী করিয়রগী মরিরক শুবা ওলিম্পিক গেমস ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াই, সীমা পুনিয়া কুমজা ২০১৮ ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকর্টাদা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমসকী মতুংদা পটিয়ালাগী নেসনল ইন্টর ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ অদুনা মহাক্কী অহুল্লকশুবা কম্পিটিসননি। মদুগী মমাংদা মহাক শোক্তুনা লৈরুবনি।

# ঙাঙোম বালাবু অর্জুনা এৱার্দকীদমক্তা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে, সুনিল ছেত্রিবুনা খেল রত্না এৱার্দকীদমক এ আই এফ এফনা নোমিনেট তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবী মণিপুর মচা ঙাঙোম বালাবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অর্জুনা এৱার্দকীদমক রেক্কমেন্দ তৌখ্রে। এসোসিএসন অসিনা নুপাগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিবুনা খেল রত্না এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবী ঙাঙোম বালা হৌজিক-হৌজিক স্কোটলেন্দগী মকোক থোংবা নুপীগী ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্স টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপকী প্রোফেসনেল ফুটবোল লীগতা শরুক য়াবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইরিবনি। ঙাঙোম বালানা কুমজা ২০১০দগী ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টর-নেসনল মেটচ ৫০ হেন্না শান্নবা ঙমখ্রে। লোয়ননা মথংগী চহীদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা শান্নবা ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগদৌরিবনি।

এ আই এফ এফনা নুপাগী মায়কৈদা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিবু শান্নবগী লম্দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখিবনি।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা সুনিল ছেত্রিনা ইন্দিয়াগী ওইনা পূন্না মেটচ ১১৮ শান্নরকপদা পাঞ্জল ৭৪ চন্দুনা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা মালেমগী ইন্টরনেসনল মেটচশিংদা পাঞ্জল য়াম্না চনবশিংগী মনুংদা মহাকসু অমা ওইরিবনি। সুনিল ছেত্রি কুমজা ২০১১দা অর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯দা পদ্মশ্রী এৱার্দসু ফংখ্রবা শান্নরোয়নি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিংগী ফেদরেসনশিংনসু মখোয়-মখোয়গী মায়কৈদগী এৱার্দশিংগীদমক্তা মমিং কয়া পীখৎনরক্লি। শুটিংদা অনকুর মিটল অমসুং অঞ্জুম মোদগিলবু খেল রত্না এৱার্দকীদমক রেক্কমেন্দ তৌখি। ক্রিকেটতা রবিচন্দ্রন অস্বিন অমসুং মিথালি রাজপুসু বি সী সী আইনা খেল রত্না এৱার্দকীদমক রেক্কমেন্দ তৌখি।

গোল্ফকী মায়কৈদা সুভানকর শর্ম্মবু ইন্দিয়ন গোল্ফ য়ুনিয়ননা খেল রত্না এৱার্দকীদমক মমিং পীখৎলক্লি। অমরোমদা টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় টোকিও ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবা শরত কমালবু খেল রত্না এৱার্দকীদমক রেক্কমেন্দ তৌরকখি। লোয়ননা অর্জুনা এৱার্দকীদমক রেষ্টলিংগী রবি দাহিয়া অমসুং দিপক পুনিয়াগী মমিং য়াওরি। অদুগা ক্রিকেটকী ওইনা সিখর ধৱন অমসুং কে এল রাহুলবু অর্জুনা এৱার্দকীদমক মমিং থাগৎলকখি।

# ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিলিয়মসনননা টেষ্টকী নম্বর ৱান বেটসমেন ওইরে

দুবাই, জুন ৩০ (এজেন্সী): হন্দক্তা ইংলেন্দদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড টেষ্ট ক্রিকেটকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ৱর্ল্ড টিম টেষ্ট চেম্পিয়ন ওইরবা ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসনননা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা টেষ্ট ক্রিকেট মশান্নগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা বেটসমেনশিংগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

কেন ৱিলিয়মসনননা রেটিং পোইন্ট ৯০০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি। মহাক্না অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথতগী পোইন্ট ১০ হেল্লগা লৈরি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মরিশুবা পোজিসনদা হোংদনা লৈরি। অদুনা রোহিট শর্ম্মনা ৬শুবা পোজিসন লোয়ননা রিশব পন্টনা ৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎলকখি।

## এৱার্দকীদমক এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অখন্ননা লৈকং, নুংশিৎ অমসুং ঈশিং (সমুদ্র)গী এদভেঞ্চরগী লম্দা হৌখিবা চহী ৩, ২০১৮, ২০১৯ অমসুং ২০২০দা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখ্রবা মীওইশিংদগী তেঞ্জিং নোর্গে নেসনল এদভেঞ্চর এৱার্দকীদমক এপ্লিকেসন কৌরি হায়না য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর টি ফুলেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এৱার্দ অসি ফংনবগীদমক অপাম্বা মীওইশিংনা জুলাই ৩ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসতগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি হায়রি।


**EMPLOYMENT NEWS**


- **IMPHAL BRANCH :-** Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- **SAMUROU BRANCH :-** Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- **MOIRANG BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **THOUBAL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **NAMBOL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2

Pl. Contact : **L.G. MOTORS**
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

HL-B/6970/28/6-18/7


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 156**

**GM Iturrizaga,E (2629) - GM Narayanan,SL (2611)**
**Chess24 Banter Blitz Cup chess24.com INT, 2020.04.06**

1.c4 g6 2.Nc3 c5 3.e3 Nf6 4.d4 Bg7
5.d5 O-O 6.Nf3 d6 7.h3 e6 8.Be2 exd5
9.cxd5 Re8 10.Nd2 b6 11.O-O Ba6 12.a4 Bxe2
13.Qxe2 Nbd7 14.e4 a6 15.Nc4 Ne5 16.Bf4 Nxc4
17.Qxc4 Qd7 18.Rfe1 Nh5 19.Be3 f5 20.exf5 gxf5
21.Re2 Bxc3 22.bxc3 f4 23.Bd2 b5 24.axb5 axb5
25.Rxa8 Rxa8 26.Qe4 Qf7 27.Qf3 Nf6 28.Re6 Re8
29.Rxd6 Ne4 30.Qg4+ Kh8 31.Rd7...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 155 Ans. :**
23. d4 Rxe5 24. Nxe5 Qg5 25. Nd7+ Ke7
25. ...Ke8 26. exd5 +Kxd7 27. f3 Nxh3+ 28. Kh2 Qxd2
25. ...Kf7 26.Ne5+ Kg7
26. ...Ke7 27.Qxf 4Nxf4
26. ...Ke8 27.Ng4 Nxh3+ 28.gxh3 Qxd2
26. ...Kf8 27. Nd7+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com